# ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু রন ১৭ তা মায়থিবা পীদুনা অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল চঙখ্রে



মিরপুর, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা আই সি সি অন্দর-১৯ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু য়াম্না লায়না রন ৯৭ তা মায়থিবা পীদুনা কপ অসিদা মঙারকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা লৈবাক ওইখ্রে।

কপ অসিগী ফাইনেল থাসিগী ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা কপ অসিগী চেম্পিয়ন অহুমলক ওইখ্রবা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজ নৎত্রগা য়ূম্বু বংলাদেশকা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

মেচ অদুগী অহৌবদা ইন্দিয়ানা বেট্টিং তৌদুনা অপীবা ওভরদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৬৭ লৌখি। ইন্দিয়ানা থল্লমখিবা টার্গেট রন অদু লৌনবা শ্রীলঙ্কানা চঙশিনখ্রবসু ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা ওভর ৪২.৪ দা রন ১৭০ খক্তমক পীরগা ৱিকেট পুন্নমক ওল আউট ওইহন্দুনা রন ৯৭ তা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী অনমোলপ্রিট সিংহনা বোল ৯২ দা রন ৭২ লৌখি অদুগা সরফরাজ খাননা বোল ৭১ দা রন ৫৯ লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপদা মতেং পাঙখি। ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন রিসাভ পান্ট অমদি কেপ্টেন ইশান কিশননা ওভর ১০ দা ৱিকেট অনী তুরগা রন ২৭ খক লৌখি। অদুবু অনমোলপ্রিট অমদি সরফরাজ অনীগী অপূনবা লম্বানা অহুমশুবা ৱিকেট তুবদা বোল ১২৬ মায়োক্লখিদুনা রন ৯৬ লৌখি। ৱাশিংটন সুন্দরনা বোল ৪৫ দা রন ৪৩, অরমান জাফরনা বোল ১৬ তা রন ২৯ অমদি ময়াঙ্ক দাগরনা বোল ১০ দা রন ১৭ লৌখি।

হৌজিক চথরিবা আই সি সি অন্দর-১৯ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী নিংথৌকাবা নুমীৎতা শান্নখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি পাকিস্তান অনীগী মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। পাকিস্তাননা অপীবা ওভরদা ৱিকেট তরুক তুরগা রন ২২৭ লৌখি। মখোয়গী প্লেয়র উমের মাসুদনা রন ১১৩ লৌদুনা মহাক্কী টিমগীদমক মতেং পাংখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে। উমের মাসুদনা মেন ওফ দ মেচ তৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন শিমরোন হেটমেয়রনা রন ৫২ অমদি তেভিন ইমলাকনা রন ৫৪ লৌদুনা মখোয়গী টিমগী মায় পাকপদা মতেং পাংখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী চেমা হোল্ডরনা ৱিকেট অনী অমদি অলজারি জোসেফনা ওভর ১০ দা শপ্নগী রন ২৮ খক পীদুনা মশক থোকপা বোলর ওইখি।

# রাঞ্চি রেজনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু মায়থিবা পীদুনা লীগকী মকোক্তা লৈখ্রে



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

কোইল ইন্দিয়াগী হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী নিংথৌকাবা নুমীৎতা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙনবগী খোঙফম চেৎশিনহনখ্রে।

টিম অনীনা মশক থোক্লা শান্নখিবা মেচ অদুগী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা রাঞ্চি রেজগী মোহমদ অমিরনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদুবু মায় পাক্লবগী ফীভম শেমখি। মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা কলিঙ্গা লেন্সরসকী ধরন্বীর সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অথুবা মতমদা রাঞ্চিগী এসলি জেক্সননা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চনশিনবা ঙমদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-২ দা লৈখি। রাঞ্চিগী মোহমদ অমিরনা মায় পাকপগী ফিল্ড গোল অদু চনখি।

মেচ মায় পাকখ্রবা রাঞ্চিনা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৭ ফংদুনা লীগ অসিগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি অদুগা কলিঙ্গা লেন্সরসনা মেচ নিপান শান্নখিবদা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

রাঞ্চি রেজ অমদি কলিঙ্গা লেন্সসর অনীগী মেচ অদু হৌবদগী য়াম্না ইচং থৌনা শান্নরক্তুনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা মায়কৈদা এটেকশিং তৌনখি। কলিঙ্গা লেন্সরসনা রাঞ্চিগী সাইদতা চঙশিনখিবা অকনবা এটেক অমদা কলিঙ্গাগী ধরন্বীর সিংহনা অকনবা শাফুদা কনশিনখিবা বোল অমা রাঞ্চিগী গোল কিপর টেলর লোভেলগী মখোঙ অনী কারক্তা লিৎশিনখিদুনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থানা চৎখি। রাঞ্চিসু মায়োক্নখিবা টিমনা গোল চনখিবদগী তপথবা তৌদনা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু রাঞ্চিগী কেপ্টেন এসলি জেক্সননা গোল ওন্থোক্তুনা ১-২ দা লৈখি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চিনা মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু কান্নখিদে। কলিঙ্গানা রাঞ্চি মায়কৈদা কাউন্টর এটেকশিং তৌখিদুনা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদা কলিঙ্গাগী গুরজিন্দর সিংহনা কনশিনখিবদা গোলকিপর মপা চপ চানা পানখিবদগী সেভ তৌখিদুনা গোল ওইরম্বা য়াবদু অরেম্বা তাখি। মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অমনা অমগী মায়কৈদা তকৎনরকখি। অদুবু টিম অমত্তনা গোল চন্নবদি ঙম্মখিদে। গোল চনবা ঙমখিদ্রবসু হনবা লৈতনা রাঞ্চিনা তকশিনখিবা শাফুদা মেচ লোইগদবা মিনিট ১১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা রাঞ্চিগী অমিরনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা কলিঙ্গা লেন্সরসপু ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

# বি এ আইনা অতোনবীগী মচাদৌনা য়েংলিবা মিৎয়েং তোক্লগা মান্নবা মিৎয়েং য়েংগদবনি ঃ জ্বালা গুত্তা




গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী নুপীগী দবলসতা শক্লাইরবী জৱালা গুত্তানা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) না লৈবাক অসিগী দবলস শান্নরোয়শিংদা য়েংলবা মীৎয়েং খুদক্তা হোংদোক্তুনা মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংনবা চেকশিন ৱা থমখ্রে।

হৌজিক শিল্লোংদা চথরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারিবী জৱালা গুত্তানা হায়খি, ঐনা লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট কয়াগী মেদলশিং লৌখ্রে অদুবু হৌজিক ফাওবা মায় পাক্লকপগীদমক তৌফম থোকপা থবকশিং তৌবীদনা লৈরি। দবলস শান্নরোয়শিং বাইনা অতোনবী মচাগুম য়েংদুনা থন্বীরি। মসিগী থৌওং অসি অথুবদা হোংদোক্তুনা মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি।

লৈবাক অসিগী বেদমিন্টন মশান্নদা অশ্বিনি অমদি ঐখোয় অনী নত্তনা অতৈ দবলস প্লেয়র অমত্তা মশক থোক্লা লৈতে। বাইনা মতম পুন্নমক্তা সিঙ্গলস খক্তদা মীৎয়েং থল্লি। ইন্দিয়া নত্তনা অতৈ মালেমগী মফম পুন্নমক্তা দবলসপু য়াম্না মরুওইনা লৌনরি হায়খি।

কুমজা ২০০৬, ২০১০ অমসুং ২০১৪ গী কম্মন ৱেল্থ গেমসকী মেদলিষ্ট অসিনা হায়, ঐখোয়না ৱারী অমা তৌবা মতমদা চিনাগী শান্নরোয়শিংগী মতাংদা পুথোক্তুনা শান্নরি। অদুবু তশেংনা য়েংলুরগদি মখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা নুপা অমদি নুপীগী দবলসতা য়ামদ্রবদা শান্নরোয় তরুক লৈরি। মখোয়না দবলসকী শান্নরোয়শিংদা হেন্না মীৎয়েং থল্লি।

লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইখ্রবী ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবী জৱালা গুত্তানা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৫ দগী হায়দ্রবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন টিম চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগনি। মহাক অমদি অশ্বিনি নত্তনা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা থাজবা থন্বা য়াবা শান্নরোয় লৈতে হায়বা ৱাফম থমখি।

ঐখোয়গী টিমবু মপাঙ্গল কনখৎনবা হৌজিক ফাওবা বাইনা থবক অমত্তা পায়খৎপীদ্রি। ইন্দিয়াগী নুপী টিমদা সাইনা নেহৱাল, পি বি সিন্ধু, অমদি অশ্বিনি নত্তনা অতৈ লৈতে। ইন্দিয়ানা দবলসতা অহকপা মীৎয়েং থমদবনা মশক থোকপা দবলস প্লেয়র লৈতবনি। মসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা মতম ওইরে।

মালেসিয়াগী টান কিম হেরবু দবলসকী কোচ ওইনা হাপ্লকখিবা অদুদা বাইনা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎলদুনা গুত্তানা হায়, হৌখিবা চহী অহুম অসি দবলসকী কোচ অমা ফাওবা থন্বীদনা লাকখিবা অদুদা হঞ্জিন হঞ্জিন কোচ হাপ্পীনবা হায়জদুনা লাকখিবনি।

# ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু, বংলাদেশনা মালদিভসপু মায়থীবা পীখ্রে



শিল্লোং, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোলদা শ্রী লঙ্কাবু ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বদু উৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরিবা মণিপুরগী ফোরৱার্দ দাংমৈ গ্রেসনা মেচকী মিনিট ৪১ অমদি ৫৮ চৎপা মতমদা গোল অনী চন্দুনা লঙ্কান সাইদপু নমথদুনা থমখি। মেচকী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদা তৌখিবা অকনবা এটেক্তা চেনগুম চেনগানরবা শ্রী লঙ্কানা মশা মতোমতনা মশাগী গোল পোষ্টতা গোল অমা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী সাস্মিটা মানিকনা কাওরকখিবা কোর্নর কিক্তা হেদিং তৌশিনখিদুনা ওউন গোল অমা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়াগী তোংজবা ওইদুনা ১-০ দা ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা ইন্দিয়ানা গোল ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌখিবগা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা য়াম্না টেম্পো লৈনা তকখৎখি। ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌদুনা চৎখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মণিপুরী প্লেয়র কমালা দেবীনা মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা টোপ কোনরদগী কাওরকখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখি। গোল চনখ্রবা মতুং কমলানা লঙ্কাগী মায়কৈদা অমুক হন্না চঙশিনখিবদা লঙ্কানগী প্লেয়রশিংনা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌদুনা তুশিনখি।

মফম অদুদা সস্মিটানা বোল অদু কাওশিনখিদুনা ৫-০ দা শ্রী লঙ্কাবু মায়থীবা পীখি। মমাঙদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা মেচতা মালদিভসকা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

ঐখোয়না মায় পাক্লবগী খুদোংচাদু ফংখি অমদি রিজল্ট অদু ময়াম্না খঙলে, উরে। অদুম ওইনমক ঐখোয়না রিজল্ট অদুদা থোইদোক্লা লুম্না লৌদে। ঐখোয়না তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি হায়না হেদ কোচ সজিদ দারনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা গেমস অসিদা হৌজিক ফাওবদা ফংখিবা মেচ অনীদগী পোইন্ট মরি ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা নেপালনা ফংখিবা মেচ অনীমক মায় পাকখিবনা পোইন্ট টেল্লিদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

চৈরক অসিদা, অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোলদা বংলাদেশনা মালদিভসপু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখি। বংলাদেশকী গোল অনী অদু মেচকী মিনিট ৪৮ দা মার্জিয়া অমদি কেপ্তেন সাবিনা খাটুননা মেচকী মিনিট ৭৩ চৎপা মতমদা চনখি।

# ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি ২০ ৱর্ল্ড কপ্তা পাকিস্তান ক্রিকেট টিম শরুক য়ারোইদৌরি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

ক্রিকেটপু পামজবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মীয়ামদা চৈথেং পীবা ওইনা পাকিস্তান ক্রিকেট টিম্না লাক্লিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা মখোয়গী গভর্ণমেন্টনা মখোয়না ইন্দিয়াদা টুর্নামেন্ট য়াওনবা চৎপদা সিক্যুরিটিগী অয়াবা পীদ্রবদি টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওররোই হায়না হিন্দুস্তান টাইমসনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

মার্চ ৮ দগী চথুগদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ দা পাকিস্তানগী মহুৎতা অতোপ্পা টিম অমনা মহুৎ শিল্লবা য়াই হায়না মমাঙ চয়োলদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা আই সি সি মিটিংদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট এদমিনিষ্ট্রেটরনা পাউচে অসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খি।

আই সি সি বোর্দ মিটিংদা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী চিয়ারমেন শাহর্য়ার খাননা মহাক্কী সাইদনা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াবা হায়বসি গভর্ণমেন্টগী অয়াবদা লৈরে হায়না পাউদমখি। মখা তানা করি করি খন্নখিবগে হায়বদুদি ঐনা নীংশিংবা থোক্ত্রে হায়না ওফিসল অদুনা ঐচ টিদা হায়খি।

মমাঙদা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী চিয়রমেন শাহর্য়ার খাননা পাকিস্তাননা ৱর্ল্ড টি ২০ গী মেচশিং ইন্দিয়াগী ভেন্যুশিংদা শান্নবা হায়বসি গভর্ণমেন্টগা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ লৌগনি হায়না ৱামাঙ য়ানবা লৈখ্রবনি।



ঐখোয়না আই সি সিদা পাকিস্তাননা শান্নবা নৎত্রগা শান্নদবা হায়বসি গভর্ণমেন্টগী য়াকাদা লৈরে অমদি মসিদা ঐখোয়না ৱারেপ লৌবা ঙমদে হায়না খাননা লাহোরগী গাদ্দাফি ষ্টেদিয়মদা রিপোর্টরশিংদা হায়খি।

ঐখোয়না ৱর্ল্ড টি ২০ গী মেচশিং ন্যুত্রেন ভেন্যুদা শান্ননবা হায়খিবা নৎত্রগা প্রোপোজ তৌখিবা লৈতে অদুবু কনাগুম্বা অমনা আই সি সি মিটিংদা পাকিস্তান মেচতা এক্সট্রিমিষ্ট এক্টিভিটিগী চিংনবা লৈরবদি ন্যুত্রেল ভেন্যুদা মিৎয়েং চঙবা য়াহনগদবনি হায়খি হায়না মহাক্না পাকিস্তানি মেদিয়াদা হায়খি।

মসি আই সি সিগী ইভেন্টনি অমদি বাইলেটরেল সেরিজ নত্তে। গভর্ণমেন্টনা শান্নদনবা হায়রক্লবদি আই সি সিনা ঐখোয়গী মেচশিং ন্যুত্রেল ভেন্যু ওইনা শ্রী লঙ্কা নৎত্রগা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটসতা শান্নগদবনি হায়না হায়রক্লবদি ঐখোয় মদুগীদমক শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

পি সি বিনা মখোয়গী টি ২০ গী স্কাদ লাউথোক্নবা হায়রকখিবদা নুমিৎ নীনি হুমনি মতম পীবিনবা হায়জখিবদা আই সি সিনা অয়াবা পীরকখ্রবনি। পাকিস্তাননা মসিগী প্লেয়রশিংগী মমিং ফেব্রুৱারি ১০ দা লাউথোক্কনি।

পাকিস্তান্না মখোয়গী ৱর্ল্ড টি ২০ গী লীগ মেচশিং কোলকটা, ধর্ম্মসলা অমদি মোহালিগা শান্ননবা সেদ্যুল শেমদুনা লৈখ্রবনি। ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমী ফাইনেলনা মুম্বাই অমদি দেল্লিদা শান্নগনি অদুগা করিগুম্বা পাকিস্তাননা সেমী ফাইনেল চঙলবদি দেল্লিদা সেমী ফাইনেল পাঙথোক্লোই। ফাইনেলনা কোলকটাগী ইদেন গার্দেনদা শান্নগনি।

# ষ্টৈব স্মিথনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টি ২০ গী কেপ্টেন ওইখ্রে

দিসনি, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি ২০ ৱর্ল্ড কপকী মতম খজিত্তংঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জা অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেটনা অরোন ফিনচপু লৌথোক্লগা লৈবাক অসিগী টেষ্ট কেপ্টেন ওইরিবা ষ্টেভ স্মিথপু টি ২০ গী কেপ্টেন ওইনা হাপখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর বেটসমেন অরোন ফিনচপু কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর থাদা অতেনবা মখলগী মশান্না অসিগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবসু মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কাদ অমা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা লাউথোকখ্রবনি। স্কাদ অদুদা পিটর নেভিলনা মেথিয়ু ৱেদকী মহুৎ শিন্দুনা ৱিকেট কিপর ওইনা খনগৎখিবনি।

# পাকিস্তানগী এসিয়া টি ২০ অমসুং ৱর্ল্ড টি ২০ স্কাদ লাউথোকখ্রে শেহজাদ, উমর গুল, রুমান রেইজ টিমদগী লৌথোকখ্রে

করাচি, ফেব্রুৱারি ১০ ঃ

পাকিস্তানগী সেলেক্টরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবা এসিয়া টি ২০ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ স্কাদতা সিজন ওপনর অহমেদ শেহজাদ অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈবা পেস বোলর উমার গুলবু মখোয়গী লৈরিবা অনেম্বা পার্ফোমেন্সতা য়েংলগা য়াওহনখিদ্রে।

বংলাদেশ অমদি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টি ২০ ইভেন্ট অনীগী মেম্বর ১৫ না শাবা স্কাদ অদুদা বেটসমেন সোআইব মাগসুদ অমদি মুহম্মদ রিজৱানসু য়াওখিদ্রে।

সেলেক্টরশিংনা অনকেপ লেফট-আর্ম পেসর রুম্মান রেইজ অমদি রুকি ওল রাউন্দর মুহম্মদ নৱাজবু স্কাদতা হাপচিনখিবগা লোয়ননা টেষ্ট ওপনর খুরুম মঞ্জুরবু স্কাদতা কৌখৎখি। মঞ্জুরনা পাকিস্তানগীদমক অমুক ফাওবা টি ২০ ইন্টরনেসনেল শান্নদ্রি।

স্কাদতা য়াওবা ফংখিদ্রবা বেটসমেনশিং শেহজাদ, মাগসুদ অমদি ৱিজৱালনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা পাঙথোকখিবা মেচশিংদা ফীভম ফনা লৈখিদে।

পাউগী সোর্স অমনা হায়, সেলেক্টরশিংনা শেহজাদপু লৌথোক্লবা অমদি ৱিকেট কিপর বেটসমেন কামরন অকমালবু য়াওহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা চমম্নবা লৈবদগী স্কাদকী মমিং লাউথোক্কদবা অদু নুমিৎ হুমনি চোঙ্থখি। মরেপ ৱাংবা লেফ্ট আর্ম পেসর মুহম্মদ ইরফানসু মশা ফিটনেস ওইবা ওইদবগী মতাংদা ইসুশিং লৈখি হায়না সোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চীফ সেলেক্টর হারুন রশীদনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্কাদ শেম্নবগীদমক টিম মেনেজমেন্ট অমদি স্কিপ্পর শহিদ অফ্রিদিগা তাথোক তাশিন তৌখি।

টি ২০ গী স্কাদ অসি এসিয়া কপ অমদি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ওইরিবা ফীভম য়েংলগা খনগৎখিবনি অমদি প্লেয়র খরগী হন্দক্তা দোমেষ্টিক অমদি এ টিমগী টুরদা উৎখিবা পার্ফোমেন্সশিং য়েংখি। টিম অসি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অমদি য়ং য়ং লাউবা নহা খক্তনা ওইরি অমদি টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অনীমক্তা নীংথিনা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা সেলেক্টরশিংদা লৈ হায়না রাশীদনা হায়খি।

নৱাজ, রেইজ অমদি মঞ্জুরনা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্ট অমদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা পাকিস্তান টিম এগী টুরদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং উৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি। দুবাইদা চথরিবা পাকিস্তান সুপর লীগতা লেফ্ট হেন্দেদ বেটসমেন অমদি লেফ্ট আর্ম স্পিন্নর নৱাজনা মেন ওফ দ মেচ এৱার্দ অনীরক ফংবা ঙমখ্রবনি।

পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা অমনা নৱাজ, রাইস, মঞ্জুর অমদি বেটসমেন বাবার অজামনা ও দি আই ৯ দা হাফ সেঞ্চুরি মঙা লৌবা ঙমখি। মিদ্দল ওর্দর বেটসমেন ইফটিকর অহমেদনা নেসনেল টিমগীদমক টি ২০ ইন্টরনেসনেল শান্নদ্রিবনি।

পাকিস্তাননা কুমজা ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা অহানবা ৱর্ল্ড টি ২০ গী ফাইনেল চঙবা ঙমখি অমদি চহী অনীগী মতুংদা ইংলেন্দদা পাঙথোকখিবা অদুদা টাইটল লৌখ্রবা মতুংদগী মখা তানা অফবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদনা লাকখিবনি। মখোয়না বংলাদেশতা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা অরোইবা এদিসন অদুদা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

পাকিস্তানগী স্কাদ অদুদি শাহিদ অফ্রিদি (কেপ্তেন), খুরুম মাঞ্জুর, মুহম্মদ হফীজ, শোআইব মালিক, উমর অকমল, সর্ফরাজ অহম্মেদ, বাবর অজাম, ইফটিকর অহম্মেদ, ইমাদ ৱাশিম, অনৱার আলি, মোহম্মদ ইরফান, ৱাহব রিয়াজ, মহম্মদ অমির, মহম্মদ নৱাজ, রুমান রেইজনি।

**URGENTLY REQUIRED**

A leading business organisation requires folowing 30 (M/ Female) candidates for Imphal and Guwahati Branches.

**POST :** Promotional Executives; **QUALIFICATION :** VIII and X Passed; **AGE :** Below 28 years; **EARNING :** 8000-16,000/ m + 2000 Stipend + Free Lodging.

**LIMITED SEATS**

**Walk In Interview between 10:00 a.m. to 4:00 p.m.**

***Contact*** **: REBECCA (9856171425)**
C/o King Creator, 2nd Floor, Alu Gali, Above Payal Showroom, Thangal Bazar.

HL-P/7411/28 Jan.-13 Feb.

**JOB VACANCY**

*Regd. 1400621-0355 pt - 1 (Micro under the Govt. of Manipur)*

| Sl. No. Name of Post | Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| **1. REQUIRED MICRO FINANCE STAFF IN IMPHAL :** | | | |
| i) Loan Recovery | 30 | X-XII | 5,500-16,000 |
| ii) Collector | 45 | X-Pass | 5,000-15,000 |
| iii) Accountant | 20 | XII-Pass | 6,000-18,000 |
| iv) Reception | 15 | XII-Pass | 5,000-18,000 |
| v) Manager | 10 | XII-Pass | 7,000-20,000 |
| **2. DIRECT SELECTION OF AIRPORT VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL :** | | | |
| i) Ground Staff, Cabincrew, Air Ticketing | 15 | X-XII | 12,000-25,000 |
| ii) Loader, Cargo Driver, Flight Cleaner | 15 | VIII-XII | 10,000-20,000 |
| **3. BANKING STAFF FOR NEWLY OPENING DISTRICT WISE IN MANIPUR ( 6 MONTHS TRAINING WITH SALARY) :** | | | |
| i) Account Opening, Loan Recovery | 13 | XII-Grad. | 12,000-25,000 |
| ii) Mobile Banking, Sitting Staff, Gold Loan, Credit Card | 10 | XII-Grad. | 15,000-27,000 |
| iii) ATM Security & Bank Security | 15 | VII-Pass | 10,000-18,000 |
| **4. WANTED TELECALLER STAFF IN IMPHAL :** | | XII-Pass | 10,000+Incentive |
| **5. DATA ENTRY FOR BANKING IN IMPHAL :** | | X-Pass | 10,000+Incentive |
| **6. POST VACANCY FOR IMPHAL :** Nurse, X-Ray, Chowkidar, Sweeper, Cook, Driver, Reception, Asst. Manager, Security | | VII-Grad. | 5,000-10,000 |
| **7. MOBILE COMPANY STAFF IN IMPHAL :** | | X-Pass | 8,000+Incentive |

* *ইশাগী অহাংবা মতমদা* ***Extra Income*** *তাম্নিংবা* ***Student, Housewife, Unemployed, Employed*** *শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি।* ***Qualification : VIII-Above, Income : 10,000-25,000 (per month)***

***Last Date : 18/02/2016*** ***Interview on : 19/02/2016***

**# 9089776553 # 8014741601 # 9856470948**

**Sd/- Rising Star Collaboration**
**Kwakeithel Thoudabhabok near Akash Institute**

HL-B/2887/9,11,12,13,14,15,16,17,18 Feb.